# হায়ব্রিদ চুজাক্কী মরু পুথোকপা

এস সুমঙ্গল সিংহ

***মণিপুরগী*** মফম খরদা অদুমক চুজাক য়াম্না পাম্না থানৈ হায়বা তাই। চুজাক্কী য়াম্না চান্নবা মতম অসি খরিফকী মতমদা ওইবনা থানবগী মফমদি য়াম্না চাউনা ফংবা ঙমদে। মতম অসিদদি ফৌনা মরু ওইবা লৌউ পোত্থোক ওইবনা লৌফম অয়াম্বা ফৌনা কনখিবনা চুজাক্কী থাফম য়াম্না ফংদবগী মরমনি হায়বা তাই। মণিপুরগী সেরৌ, চীংগী মফমশিং অমদি তম্পাক্কী মফম খরদা ইন্টরক্রোপ ওইনা থাদুনা চুজাক্তগী শেল নিংথিনা ফংবা ইচিন ইনাওশিং লৈতবসু নত্তে। চুজাক, তর্বুজ, খামেন অশিনবা, কোলি হৱাই খোঙনেম্বী পূন্না ইন্টরক্রোপ তৌদুনা শেল নিংথিনা ফংবা ইচিন ইনাওশিং অদুমক লৈ। মখোয়না থারিবা চুজাক মখলশিং অসি হৌজিক্কী মতমদদি হায়ব্রিদ চুজাক্লা অয়াম্বনি। হায়ব্রিদ চুজাক ওইবনা মপান্দগী মরু পুশিল্লকপা নত্তনা অতৈ উপাই লৈতে। মরম অসি লৈবনা ইরমদম মণিপুরদা হায়ব্রিদ চুজাক মরু পুথোকপগী তঙাইফদবা মতম অদু লাক্লব্রা খঞ্জে। অতৈ মহৈ মরোংশিংগী হায়ব্রিদ মরু পুথোকপগুম য়াম্নমক লুবা অমসুং খূৎ য়াম্না চঙবসু ওইদে। ৱাফম মচা মচা খরা চেকশিন্না হোৎনরগা অদুমক মায় পাক্লা পায়খৎপা য়াবা অমদি ওই। ৱাফম অসি লৈবনা ঙসিগী ওইনা থমজনীংলিবা ৱাফমদি হায়ব্রিদ চুজাক মরু করম্না পুথোক্কনি হায়বদুনি। খরা খঙজিনমিন্নসি।



নিংথিনা হৌরবা চুজাক পাম্বীশিং



চুজাক হায়ব্রিদকী মমাগী শৎতোল্লবা মপান



হায়ব্রিদ চুজাক মরু ($F_1$ Seed)

মতম অমদদি চুজাকসি কম্পোজিৎ হায়বা অমগা, সিন্থেটিক হায়বা অমগগী মখলশিংনা অয়াম্বা ওইনা তৌরম্মী। মসিগী মরুওইবা মরমদি হায়ব্রিদ মরুদি মমল তাঙবা, চহী খুদিংগী শিন্দোক্তবা য়াদবা, লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী মরু লৈবদা শেল য়াম্না চঙদনবা হোৎনবা, লোয়নন্না মশাগী লৌফমদগী পুথোকচবা মরুনা থারিবা মখল অদু চহী অহুম মরিদি অদুমক থাবদা চাথোক হন্থদবা অসিনচিংবা পনবা য়াই। অদুবু হায়ব্রিদনা চাথোক য়াম্না হেনবা মরম্না হৌজিক্তি হায়ব্রিদ মখলনা অয়াম্বা পুথোক্লে।

কম্পোজিৎ হায়বসিনা মান্নদবা চুজাক কয়া পূন্না থামিন্নদুনা চারৌ মৌরৌনহল্লগা ওইরকপা মখল কয়াগী মরক্তগী চহী কয়া চঙনা অফবশিং খনগৎতুনা মরু লৌরগা অফবা চুজাক্কী মখলশিং অপূনবা ভেরাইটি অমা পুথোক্তুনা শেম্বা মখলনি। মখোয় মশেল চপ মান্নদ্রবসু মান্নবা মগুন কয়া অমনা পুন্দুনা ওইরকপা মখল ওইবনা মখোয় মশেল চারৌ মৌরৌনরগা পাল্লকপা চুজাকশিং অদুদগী মরু লৌদুনা অদুমক থানবা চহী অহুম মরিদি মখলদুগী অফবা মগুনশিং থোইদোক্লা হন্থবা তৌদনা চাথোকসু অদুমক হন্থদে।

সিন্থেটিক হায়বসিনা চুজাক মখল খরা চারৌ মৌরৌনহল্লগা ওইরকপা মচাশিং অদুগী মগুন য়েংলগা চারৌ মৌরৌনবদা শীজিন্নরিবা মমা মপা ওইরিবা পাম্বীশিং অদুগী অফবা মচা পুথোকপগী মগুন লেপ্পী। অসুম্না চাংয়েং তৌদুনা অফবা মচা পুথোকপগী মশক খঙলবা মমা মপা ওইরিবা পাম্বীশিং অদু পূন্না থামিন্নদুনা মখোয়না পুথোকপা মরুশিং অদু সিন্থেটিক ভেরাইটি ওইনা থাননবা লৌমী ইচিন ইনাওশিংদা য়ৌরকই।

কম্পোজিৎকা সিন্থেটিক্কা খেন্নবা হায়ববু মমা মপা অনীগী চাংয়েং তৌবা অমসুং তৌদবা সিখক্তনি। মথক্তা পনখিবগুম কম্পোজিৎতা চাংয়েং তৌদনা অফবা খরা খনগৎলগা পূন্না থামিন্নদুনা মরু পুথোকপা অদুগা সিন্থেটিক্তা চাংয়েং তৌরবা মমা মপাশিংতমক খল্লগা থামিন্নদুনা মরু পুথোকপা অসিনি।

হায়ব্রিদকী ওইনদি- পারি পুরি মান্নদবা মমা মপা অনীগী অহানবা চারোলদুবু হায়ব্রিদ নৎত্রগা মীতৈলোন্দা মুকসন হায়রগা খঙনৈ। মমা মপা অনীদু মশক খঙলবা মগুন নিংথিনা খঙলবা চারোল মথং মথং থাবদা হোংবা নাইদ্রবা পাম্বী ওইবা তাই। চুজাক হায়রিবা পাম্বী অসিদি ক্রোস পোলিনেট ওইবনা মথং মথং থাবদা হোংহন্দবা হায়বসি ওইথোক্তে। অদুবু হায়ব্রিদকী মমা মপা ওইহনগে হায়রবদি হোংবদি য়াদ্রে। করম্না হোংহল্লোই? মসিগীদমক পাম্বী অদু মশাগী লৈরিক্লা (চুজাক্কী মতোন্দা শাবা মপানগী) মশাগী লৈশিংবু (চুজাক মকাদা পাল্লকপা চুজাক্কী মশাদা) পোলিনেট তৌহন্দুনা চারোল কয়া অতোপ্পগী লৈরিক চঙহন্দনা মশাগী লৈরিক্তনা মরু চঙহল্লবা মতুংদা ওইরকপা মচাশিংদগী অফবা মান্নবা পাম্বী খন খন্দুনা চারোল কয়া চঙনা মগুন হোংদ্রবা পাম্বী ইনব্রেদ লাইন কৌবা অমা ওইহনবা চঙই। অসুম্না হোংবা নাইদ্রবা পাম্বীশিংগী মরক্তগী অফবা মচা হায়বদি হায়ব্রিদ পুথোকপা ঙম্বা মমা মপাশিং চাংয়েং কয়া তৌরবা মতুংদা অফবা মমা মপাগী জুরা শেম্মী। অসুম্না জুরা শেমদুনা চহী খুদিংগী থামিন্নদুনা হায়ব্রিদ মরু পুথোকপা তাই। থমজরিবা অসিনা হায়ব্রিদ করম্না পুথোক্কনি হায়বদুনি, মসিদি সাইন্টিষ্টশিংগী মথৌনি। অসুম্না পুথোল্লবা হায়ব্রিদশিংগী মরু পুথোকপা অদুনি ঙসি থমজনীংলিবদি।

হায়ব্রিদ চুজাক অমগী মমা মপা অনীদুগী মরু ঐখোয়গী খূৎতা লৈরবদি মরু পুথোকপা হায়ব্রিদসি খরা নিংথিনা থৱায় য়াওনা হোৎনরগদি য়াম্না লায়বা থৌওং অমনি। অয়াম্বা হায়ব্রিদ চুজাক্কী মরু অসি অচৌবা কম্পেনিশিংনা পুথোকই। অদুম ওইনমক কম্পেনিশিংনসু নিংথিনা তম্বীরবা লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী লৌবুক্তা পুথোক্লবনা অয়াম্বনি। মরু পুথোক্লিবা ইচিন ইনাওশিংগীসু কান্নবা অদুগা কম্পেনিশিংগীসু কান্নবা অদুমক লৌমীন্নবনি। লোয়নন্না চুজাক থারিবা ইচিন ইনাওশিংগী ওইনসু মখোয়দা অফবা মরু ফংহনবনি।

মণিপুরদসু হায়রিবা থবক অসি অদুমক পায়খৎপা য়াবা থৌরমনি আই সী এ আরগী চুজাক্কী রিছার্স সেন্টরশিংনা পুথোকপীবা হায়ব্রিদ চুজাক্কী মরু পুথোকপগী প্রোগ্রাম অসি লৌমী ইচিন ইনাওশিংদা পায়খৎহন্নবা থৌরাং লৈ। মণিপুরদা থৱায় য়াওবা ইচিন ইনাওশিংনা হায়ব্রিদ মরু পুথোল্লবদি পুথোল্লিবা মীওইদুগীসু থাগদৌরিবা মীওইশিংগীসু অনীমক্কী কান্নবা ফংগনি খল্লি। মরম অদুনা হায়ব্রিদ চুজাক মরু পুথোকপগী কাঙলোন খরা খঙজিনমিন্নসি।

হায়ব্রিদ মরু পুথোকপদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম খরদি - হায়ব্রিদ চুজাক অমগী মমা মপাগী মরু, মফম চাবা লৌফম, থৱায় য়াওবা লৌমী, তাকপী তম্বীনবা অখঙ অহৈ, মরু য়োনফম, হায়ব্রিদ চুজাক থাবীনবা মীওইশিং অসিনচিংবগী চপ চাবা মরী অদু মথৌ তাই।

**হায়ব্রিদ মরু পুথোকপগী কাঙলোন ঃ** হায়ব্রিদ মখল অমগা অমগা মান্নদবা, তোঙান তোঙানবা হায়ব্রিদকী মমা মপাগী ৱাংবা চাউবা মান্নদবা, মফম মফমগী ঈশিং নুংশিৎ খেন্নবা পূন্নমক অসিগী মতুংইন্না কাঙলোন্দা খরা খেন্নবদি লৈ অদুবু চাংচৎ অমদা পায়খৎকদবা থৌরমশিং মখাদা থল্লি।

**মণিপুরদা চান্নগদবা মতম ঃ** ফেব্রুৱারী, মার্চতনা খ্বাইদগী চান্নবা মতম ওইগনি । মীওই অয়াম্বনা মতমসিদা চুজাক থাবগী থৌরম পায়খৎনদে। মরম অদুনা মরু পুথোক্কদৌরিবা পাম্বীশিংদা অতোপ্পগী লৈরিকহিং চঙদুনা শেংদবা মরু ওলহল্লকপদগী ঙাকথোক্লবা তাঞ্জাসু ফংবা ঙমগনি।

**আইসোলেসন ঃ** থৌওং অসি অতোপ্পা চুজাক থারিবা মফমদগী মরু পুথোকফম লৌবুক অদু কয়াম লাপহনগনি হায়বদুনি। য়ামদ্রবদা মিটর ৪০০-৫০০ লাপ্পহনগনি।

**মরুগী চাং ঃ** অমোম (মমা) - পরিদা কিলো ১৫; লাবা (মপা) - পরিদা কিলো ১০

**মমা মপাগী পরেংগী চাং ঃ** মমা - ৩, মপা - ১ হায়বদি অমোমগী পরেং ৩-৩ কান্নরগা লাবগী পরেং অমমম থাগনি, পরেং অনী ওইহনবসু য়াই। লাবগী পরেংনা অমোমগী পরেংশিং চপ্তুনা থাগনি। মতাই থংবা লাবগী পরেং অনী অনী ওইহনবা ফৈ।

**পরেংগী মায়ওন ঃ** অয়াম্বা মতমদা নোংপোক নোংচুপ ওইহন্নৈ। মপান শাবা মতমদুদা অয়াম্বা মতমদা নুংশিৎ শিৎপগী মায়কৈ য়েংলগা থানৈ। নুংশিৎনা খা-ৱাং হুল্লবদি পরেংগী মায়কৈ নোংপোক নোংচুপ অদুগা নুংশিৎনা নোংপোক নোংচুপ শিৎপা মতম ওইরগনা পরেংগী মায়কৈ খা-ৱাং ওইহনগনি।

**অরন অকুং ঃ** পরেংগী অরনবসি সেন্টিমিটর ৬০ (ফুট অনী) অদুগা পরেংগী মনুংদা পাম্বীগী অরনবনা সেন্টিমিটর ২০ (ইঞ্চি নিপান) ওইহনগনি। অহানবা থাবদা খরা কুংতক্লা মরু লিংলবা মতুং, হৌরবা মতমদা অরন অকুং শেমগনি। অরনবা মফমদা অকুংবা মফমদগী মরা য়াওনা ফুল্লবা পাম্বীনা লিংশিনবা য়াই।

**হার হাপ্পা ঃ** লৌফমগী লৈহাও খেন্নবগী মতুং ইন্না খেন্নবা খরা লৈগনি, পরিদা ষষ্থি, ষণয়ুংগী হার ষণ গাড়ী মপোৎ ২৫-৩০ গা লোয়নন্না য়ুরিয়া কিলো ২৫০-৩০০; এস এস পি কিলো ৩৫০-৪০০; এম ও পি কিলো ৮০-৯০ চঙগনি।

অরোইবা খোইবদা অপূনবা ষষ্থিগী হার; এস এস পি; এম ও পি; য়ুরিয়াগী অপূনবগী ১০ থোকপগী অমা চাং মান্নন চাইদুনা খোইজিনগনি। লেমহৌরিবা য়ুরিয়াগী শরুক অদু তাঙ্কক মরি থোক্লা চাইবিগনি।

**তাঙ্ককশিং অদুদি ঃ** মনা মরি শুরকপা মতমদা-অপূনবগী চাদা ২০; মনা নিপান শুবদা - চাদা ৩০; মপান শাবা মতমদা চাদা ৩০; অরোইবদা মরু চঙবা মতমদা - চাদা ১০ গী চাংদা চাইবিগনি।

**ঈশিং চনবা ঃ** মথৌ তাবা মতমদা ঈশিং পীবা ফৈ। মণিপুরগী ফীভমদা, য়াম্নমক লৈঙোইলম নত্তবনিনা য়াম্না তোয়না চাইবগী মথৌ তারোই। চাং নাইনা খজিক খজিক পীবনা অমুক্তা য়াম্না চাইবদগী ফবা হেল্লি। মরু হুল্লবা মতুং, পাম্বীনা পীক্লিঙৈগী; পাম্বীনা খুউগী চাং ৱাংবা মতম; মপান শারকপা মতম; মরু চঙলকপা মতম; মরু চঙলবা মতুং নুমিৎ ১০ নি হায়বদি মতমশিং অসিদা ঈশিং ৱাৎতনবা হোৎনবীগনি। চুরি পাথোক্লা কৈদৌনুংদা ঈশিং চনবিরোইদবনি।

**নাপী হাবেংবা ঃ** নাপীনা চাথোক চাদা ৩৫ হন্থহনবা ঙম্বা মরম্না নাপী হৌহন্দবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। নাপী হৌদ্রিঙৈ মতমদা পরিদা অত্রাজিন ১.০-১.৫ কেজি এক্তিভ ইনগ্রিদেন্ট ঈশিং লিটর ৬০০ তা য়াল্লগা কাপথোকপনা মনা পাকপা পাক্তবা নাপী অয়াম্বা হাৎপা ঙম্মী। মতুংদা চুজাক মরক্তা খূৎনা নাপী হৌরকপা খরা পেংথোকপা ফৈ।

**লায়না তীলনা ঙাকথোকপা ঃ** মান্নদবা পাম্বী খুদিংমক চিংনবা লৈতনা ফুকতোক্তুনা লৌথোকপীগনি। মসিগা লোয়নন্না অহেনবা অকুংবা পাম্বীশিং লৌথোকপীগনি। মসিনা খাকহৌরিবা পাম্বীশিং মশা মউ ফবা হেনগনি। মপান শাদ্রিঙৈ মতমদা মান্নদবা পাম্বী খুদিংমক লৌথোকহৌবা কাউরোইদবনি।

**মখোঙ খোপচিনবা ঃ** চুজাক মখোঙ খোপচিনবা হায়বসি পাম্বী অদু নুংশিৎনা তুদনবা হোৎনবনি। মখোং খোপচিনবা অসিদি অহুল্লক শুবা য়ুরিয়াগী হার হাপ্লবা মতুংদা পাঙথোকপীগনি। হার হাপ্লবা মতুংদা চেকশিন্না মখোঙ খোপচিনগনি।

**দেটাসেল্লিং (অমোমগী মপান শাত্তোকপা) ঃ** হায়ব্রিদ মরু পানগদৌরিবা অমোম পাম্বীশিংগী মপাশিং অদু হেক থিনগৎপগী মতোন খরা উরকপগা লোয়েনন্না মপান শাৎকাইদ্রিঙৈদা শাৎতোকপীগনি। পরেং নাইনা মথং মথং চৎতুনা লোইশিনবীগনি। মপান শাৎপা মতমদা পাম্বীগী মনুংদা মপান লেমহৌদনবা হোৎনগনি। মপানগী মখোকৱাইদা মনাগী মপান্দা খূৎ ওইনা চেৎনা পায়রগা খূৎ য়েৎনা মপানগী মখোকৱাইদা পায়রগা খংশৎ শৎপা মতমদা মপান অদু ইরায় লায়না শৎপা য়াগনি।

**লোকপা ঃ** লাবগী পাম্বীশিং হান্না লোকপীগনি লোয়নন্না তোঙান্না থম্বীগনি মতুংদা অমোম পাম্বীদা পানবা চুজাকশিং হেকপীগন। পাল্লিবা চুজাক্কী মপান থংবা মকুশিং কংলবা মতুংদা হেকপীগদবনি।

অসুম্না লোল্লবা অমোমদা পানবা মরুশিং অদু হায়ব্রিদ চুজাক মরু ওইরে।

# লৈবাক্কী মচুম শীজিন্নদুনা পুকলাওবীগী মরুম নপহন্দবা


ডাঃ য়ুম্নাম বেদজিৎ সিংহ









***পুকলাওবী*** হায়রিবা ঙা মখল অসি অনপ্পা মরুম কোকই অমদি মরুম তোয়না কোকই। তৌইগুম্বসুং অনপ্পা মরুম ওইবনা হেটচরিদা মচা পুথোকপদা খুদোংচাদবা অমা ওইরি। পুকলাওবীগী মরুম অসি নপহন্দনবা থৌওং কয়া পুথোকখ্রে। থৌওংশিং অদুদি ঈশিং লিটর তরাদা টেনিন গ্রাম তরামঙা হাপ্তুনা মরুম অদু চামথোকপা। হায়রিবা থৌওং অসিদা শীজিন্নরিবা টেনিন অসি মহু চেনবা পোৎশক ওইবনা ঙাগী মরুম শিহনবা অমদি কান্নদবা ফল কয়া থোকহল্লকই। অতোপ্পা থৌওং অমনা য়ুরিয়া-সোদিয়ম ক্লোরাইদকী মহি শীজিন্নদুনা অনপ্পা শরুক অদু লৌথোকপা। মসিদসু নত্তনা অমুল শঙ্গোম গ্রাম কুন ঈশিং লিটর ১০ দা থিৎতুনা মরুমদু চামথোকপা মতমদসু অনপ্পা শরুক অদু লৌথোকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং মসিসু পৈশা চঙবা মরম্না হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি খ্বাইদগী ফবা থৌওংসি পুকলাওবীগী মরুমসি মেৎথোল্লবা মতুং লাবগী মিল্টসু মেৎথোল্লগা উচেক্কী মতু নৎত্রগা অমোনবা তুরি অমনা ওৎতুনা ফর্টিলাইজ তৌরবা মতুংদা ঈশিং লিটর তরাদা লৈবাক খুজোক অমা তুমহল্লগা হৈজিন্দুনা থম্বা মতমদা পুকলালবী মরুমগী অনপ্পা শরুক অদু লৌথোকপা ঙমগনি। অসুম্না অনপ্পা শরুক লৌথোকখ্রবা মরুমশিং অদু হেটচরিদা য়াম্না লায়না মচা ওলহনবা ঙমগনি।

পুকলাওবী হায়রিবা ঙা মখল অসি মরুম তোয়না কোকপদা নত্তনা অঙৈংবা মতমদসু মরুম কোকপা ঙম্বা ঙা মখল অমনি। তৌইগুম্বসুং মচা পুথোকপদা খুদোংচাদবা কয়া লৈবা মরম্না মতোমতা কোকচবা মরুম অমদি মচাদগী য়োক্লবা নত্তনা য়াম্না চাউনা মচা পুথোক্লবগী থৌরাং পায়খৎনদে।

হান্নদা পায়খৎনরম্লিবা মচা পুথোক্লবগী থৌওং অসিদি মপূং মরৈ ফারবা অমোম অমদি লাবদু ফাগৎলগা হাপ্পাদা হাপ্তুনা কবোকং নৎত্রগা মরুমদু নপনবা করিগুম্বা পোৎশক খরা হাপ্তুনা মতোমতা মরুম কোকহনবনি নৎত্রগা নাপী খরা হৌবা মফমদা মতোমতা কোকচবা মরুমদগী ওল্লকপা মচাশিংদু য়োকপা অদুনি। হায়রিবা থৌওংশিং অসিদগী ফংবা মচা অদুদি য়াম্না য়ামদে অমদি মহৌশানা মরুম কোকচরকপা মতম ঙাইবদি তঙাইফদবা লৈ। তৌইগুম্বসুং মথক্তা পনখ্রিবা থৌওং অসি শীজিন্নরবদি অপাম্বা মতমদা মচা য়াম্না পুথোকপা ঙল্লগনি।

রৌ, কটলা, ম্রিগল অসিদি মহৌশানা খরা শাগৎলল্লবা মতমদতা মরুম কোকহনবা য়াই। মরম অদুনা ঙা মচা পুথোল্লিবা হেটচরিশিং অসি নোংজু পন্থা লাকপা অমদি খরা শাগৎলবা মতমদতা ওইনা ঙা মচা পুথোকই। হায়রিবা ঙাশিং অসিনা মরুম ফজনা পুদ্রিঙৈ মতম খরা ঈংলিবা মতমশিংদা পুকলাওবী মচা পুথোল্লবগী থৌরাং লৌখৎপীরবদি ঙা মচা পুথোকপগী হাংদুনা লৈরিবা মতম অসি খরমখৈদি মেনখৎপা ঙমদুনা শেল খরা হেন্না তানবা ঙমগনি। খুদম ওইনা হায়রবদা হৌজিক ফেব্রুৱারী থা য়ৌশিল্লক্কদৌরে অদুবু রৌ, কটলা, ম্রিগলনচিংবা ঙাশিং অসিদি মরুম ফজনা পুখিরোই তৌইগুম্বসুং পুকলাওবীদি মরুম ফজনা পুরনি।

মরম অদুনা পুকলাওবীগী মচা লৌহৌবা য়াই। তৌবতবু মরুম পুবা মপীশিং খন্দোকপীরগা হোর্মোন হায়বদি ওভাপ্রিম, ওভাটাইট ওভা এফ ঐচ, গোনোপ্রোনচিংবা অমা হেক্তা শীজিন্নদুনা মচা পুথোকপা য়াই। হোর্মোন কাপখ্রবা মতুং নোংমা লৈরগা ঙা অমোমগী মরুমশিং অদু পুখমগুম্বা অমদা মেৎথোকপীরগা ঙা লাবগী মিল্ট অদু অমুক মেৎথোক্তুনা উচেক মতু নৎত্রগা অমোনবা টুরি অমনা ওৎপীদুনা ফজনা ফর্টিলাইজ তৌহনগদবনি। অদুদগী ঈশিং লিটর তরাদা লৈবাক খুজোক অমা হাপ্তুনা তুমহল্লবা মতুংদা মরুমশিং অদু হাপচিনগদবনি। অসুম্না তৌরবদি মরুমগী অনপ্পা শরুক অদু লৌথোকখ্রনি অমদি হেটচরিদা মচা ওলহনবা য়ারগনি।

অসুম্না পুকলাওবীগী মচা মরাং কায়না পুথোক্তুনা ঙা মচাগী অৱাৎপা খরামখৈ মেনখৎপা ঙম্বতা নত্তনা ঙা মচা পুথোকপগী অহাংবা মতমসু শীজিন্নদুনা মীওই কয়াগী থবক পীবা ঙল্লগনি অমদি ঙামী কয়াগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগনি। ঙা মচা পুথোল্লিবা মীওইশিংনা হন্দক্কী কুম্মগী অঙনবা শরুক হায়বদি ফেব্রুৱারী থা অসিদা চাংয়েং ওইনা পুকলাওবী মচা পুথোকপগী অরাইবা থৌওং অসি পায়খৎপীদুনা পুকলাওবী মচা মরাং কায়না পুথোকমিন্নরসি।